# লিবিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটনা লৈবাক কন্ট্রোল তৌবা হেঞ্জিল্লক্লি



ন্যু য়োর্ক, মার্চ ১১ (এজেন্সী) ঃ

লিবিয়াদা পোলিটিকেল অমসুং সিক্যুরিটিগী অহোবা লৈবগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইস্লামিক ষ্টেট এক্সত্রিমিষ্ট গ্রুপনা অৱাং অফ্রিকাগী শাথিবা মুক্লবা ফীভম্না অৱাবা নংহল্লবা লৈবাক অদুদা মখোয়না কন্ট্রোল তৌবা লমগী শরুকশিং পাকথোক চাউথোকহনখ্রে হায়না ঙরাং সার্ক্যুলেট তৌখিবা য়ু এন এক্সপার্টশিংগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লিবিয়াগী মথক্তা থল্লিবা য়ু এনগী সেঙ্কসনশিং মোনিটর তৌরিবা এক্সপার্টশিং অদুনা হায়খি, মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুনা মখোয়না কন্ট্রোল তৌবা সেন্ট্রেল সিটি সির্টেগী শোত্থনা লৈবা কম্যুনিটিশিং মায় পাক্না রিক্রুট তৌখ্রে। মীরৈবাক্কী ফাইটরশিংনা মতেং পাংদুনা চত্থবা লোকল রিক্রুটমেন্টগী খুত্থাংদা গ্রুপ অসিনা সাব্রাথা সিটি অমসুং কেপিটেল ত্রিপোলিদা মখোয়গী ওপরেসনেল কেপাসিটিসু হেনগৎহনখ্রে হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখি।

“আই এস আই এলনা হৌজিক লিবিয়াদা থাউ এক্সপ্লোইট তৌদুনা হকথেংননা রেভিন্যু লাকহনবদি তৌদ্রি। অদুবু গ্রুপ অসিনা থাউগী ইন্সটোলেসনশিংদা এটেক কয়া চত্থদুনা লিবিয়াগী শেল-থুমগী তং-তাবগী ফীভমদা অচৌবা চৈথেং অমদি পীরে” হায়না রিপোর্ট অদুদা মেম্বর তরুক্কী পেনেল অদুনা হায়খি।

“লিবিয়া মচাশিং হৌজিক গ্রুপ অদুগী কা হেনবা মীনুংশি খঙদবগী থৌওংশিংগী ভীক্টিমশিং ওইরক্লে অমসুং হৌজিক ফাওবদা মীচম কয়া পাক্তক্লনা হাৎপগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে” হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।

মতম শাংনা দিক্টেটর ওইরকখিবা মুআম্মর গদ্দাফিবু কুমজা ২০১১দা মফমদগী চিংথুদুনা হাৎখ্রবা মতুংদা লিবিয়া অসি ফেল ওইরবা ষ্টেট অমা ওইরকখি। গদ্দাফিনা মরাই চাইথবগা লোয়ননা শিখিবদগীদি লৈবাক অদুগী মিলিটরিসু থুনা মপাঙ্গল শোন্থরকখি অমসুং মপাঙ্গল লৈরবা মিলিস্যাশিংনা মচেৎ মচেৎ তাহনখি।

কুমজা ২০১৪দগী মালেমনা শকখঙবা গভর্ণমেন্ট অমা চাউরবা থাউ মরাং কায়না পুথোক্লিবা লৈবাক অদুগী ফারইষ্টতা লৈহল্লকখিবগা ইরোয়ননা ত্রিপোলিদনা রাইভল ইস্লামিক গভর্ণমেন্ট অমসু লৈরকখি। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লিবিয়ান মিলিয়ন কয়াদা তৌফম থোকপশিং তৌনবা অমসুং আই এসকী এক্সত্রিমিষ্টশিংবু থেংননবা য়ুনিটি গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বদা মতেং পাংনবা হোৎনদুনা লাকখি।

এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না, লিবিয়াদা মীরৈবাক্কী ফাইটরশিংনা মীৎয়েং চঙবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী খা থংবা শরুক্তা মখোয়না মহুম শাদুনা লৈশিল্লকপা হায়বসি মুক্লবগী ফীভম অদুদা রিজনেলগী দাইমেন্সন অমা য়াওশিল্লকপগী খুদমনি হায়রি। লমদম অদুদা লৈরিবা লৈবাক কয়ানা তোঙান তোঙানবা গ্রুপশিংদা পোলিটিকেল সপ্পোর্ট অমসুং অতৈ মতেং কয়া পীদুনা অমগা অমগা লাল শোক্লবা অমসুং হাৎনা শুনবগী থবকশিংদা ইনোৎ হেন্না হাপ্লে হায়না পেনেল অদুনা হায়খি।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলদা লানখৎখিবা রিপোর্ট অদুদা এক্সপার্টশিংনা হায়খি, লিবিয়াগী মুক্লবদুদা য়াওরিবা পার্টি খূদিংমক্কা মালেমগী চৎনা পথাপশিং খোঙ্গাউনবা মওংদা খুৎশু খুৎলাই কয়া মখা তানা ফংদুনা লৈরি অমসুং মখোয় খরদি য়ু এনগী মেম্বর লৈবাকশিংগী সপ্পোর্ট ফাওবা ফংই।

“কনফ্লিক্টতা চেন্নরিবা গ্রুপশিংনা অসুম্না খুৎশু খুৎলাই কয়া ফংবা অসিনা লিবিয়াগী সিক্যুরিটিগী ফীভম অমসুং পোলিটিকেল ত্রাঞ্জিসনদা য়াম্না নুংনাংনিঙাই ওইবা ফীভম অমা লাকহল্লে” হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি। এক্সপার্টশিং অদুনা হৌজিক লৈবাক অদুদা ওপরেট তৌরিবা গ্রুপশিংগী মথক্তা খুৎলাইগী অথিংবা থল্লিবদু তঙাইফদনা চেকশিন্না চৎনহন্নবা তকশিনখ্রে। হান্নদি গভর্ণমেন্টবু অপাম পামদা য়েংহন্দুনা কোমথোক কোমশিন খরা য়াহল্লম্বনি।

লিবিয়াগী খুৎলাই পায়বা গ্রুপশিংবু ফাইনান্স তৌবগী ৱাফমগী মতাংদা রিপোর্ট অদুনা হায়খি, গভর্ণমেন্টকী তোলোবশিং হৌজিকসু মখা তানা মিলিস্যাশিংগী মখুত্তা য়ৌহল্লি। অসুম্না গভর্ণমেন্টকী শেল পীশিনবা অদুদা মিলিস্যাশিং অদুগী হ্যুমেন রাইটস রেকোর্দশিং নৎত্রগা মখোয় করম্বা খুদোংচাবা লৌবশিং নৎত্রগা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগা শম্নবগে হায়বনচিংবা অমত্তা য়েংশিন্দে নৎত্রগা থিগৎতে হায়রি।

# ম্যান্মারগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা হটিন কিয়োনা এন এল দিগী কেন্দিদেট ওইরগনি



নেপিয়িটো, মার্চ ১১ (এজেন্সী) ঃ

ম্যান্মারগী মথংগী প্রসিদেন্ট খন্নবগী ফাইনেল কেন্দিদেট অহুমগী মনুংদা অমদি নোবেল লোরিএট ওং সান সু চিগা মতম শাংনা লোয়নদুনা ৱা তাথোক তাশিন তৌনদুনা লাক্লবা মীশক অমনি হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে।

হতিন কিয়ো কৌবা সু চিগা মতম শাংনা লোয়নরক্লবা মীওই অদু পার্লিয়ামেন্টদা ভোট লৌনবদা প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সনগী ফাইনেলিষ্ট অমা ওইনা ভোট ২৭৪-২৯ ফংদুনা এগ্রুভ তৌখি। অনীশুবা ফাইনেলিষ্ট খন্ননবা অপ্পর হাউসতা ভোট লৌনবগী থবক চত্থরি হায়রি।

ম্যান্মারগী কন্সটিট্যুসন্না য়াবগী মতুং ইন্না পার্লিয়ামেন্টদা রিজার্ভ সিট চাদা ২৫ লৈবা মিলিটরি ব্লোক্না অহুমশুবা কেন্দিদেট অমা পুথোক্কনি হায়রি।

লেজিসলেটরশিংনা মথংগী চয়োলদা মখোয়গী মনুংদা অমবু প্রসিদেন্ট ওইনা খন্ননবা অতোপ্পা ভোট রাউন্দ অমসু লৌনগনি। ভোটিং অদুদা মশাগী চহী ৭০ শুরবা হটিন কিয়োবু মেজোরিটিনা খল্লগনি হায়বসি শোইদ্রবা ৱাফম অমনি হায়রি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা ম্যান্মারগী নেসনল লিগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি)না নোবেল লোরিএট ওং সাং সু চিগী নক্লবা মরুপ অমবু পার্টিগী প্রসিদেন্সিয়ল কেন্দিদেট ওইনা প্রপ্রোজ তৌখিবগা লোয়ননা লূচিংবী অদুগী মমিংদা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা লৈঙাক্কী থৌদা পায়গদৌরিবা মীশক লেপ্পবা থা ৪ ঙাইনরকপদু লোইশিনখি।

থা ২খক্কী মমাঙদা পার্টিদা য়াওখিবা হটিন কিয়োবু এন এল দিনা পার্টিগী লৱার হাউসকী কেন্দিদেট ওইনা পুথোকখিবনি। মহাক সু চিনা হৌদোকখিবা চেরিটি অমা রন তৌরমই অমসুং কুমজা ১৯৯৫ অদুৱাইদগী সু চিগা নকশিন্নরকখি হায়রি।

লৈবাক মীয়াম হুপ্না পান্নবা সু চি অমসুং এন এল দিনা হৌখিবা নবেম্বরদা পাঙথোকখিবা মীখলদা চাউনা মায় পাকখি, তৌইগুম্বসুং মিলিটরি জন্তানা ২০০৮দা দ্রাফট তৌখিবা কন্সটিট্যুসনগী মখাদা মহাকপু প্রসিদেন্টগী ফম পায়বদা অথিংবা থল্লিবনি। ম্যান্মারগী মিলিটরিনা দ্রাফট তৌখিবা হৌজিক চৎনরিবা কন্সটিট্যুসনগী ক্লোজ অমনা মপুরোইবা অমসুং মচাশিং মীরৈবাক মচাশিং ওইবা মীওই অমনা লৈবাক অসিগী ইগজিক্যুটিব মকোক ওইবদা অথিংবা থমই।

সু চিনা মশামক্না প্রসিদেন্ট ওইজদ্রবসু মহুৎ শিনবা মীওই অমগী খুত্থাংদা ম্যান্মারগী লৈঙাক্কী থবক থৌদাশিং পায়গনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখ্রবনি। শগোলশেন নুমিৎ ফাওবদি সু চি অমসুং এন এল দিগী লিদরশিংনা মখোয়গী নোমিনি অদু পার্টিগী এম পিশিংদফাওবা খঙহন্দনা লৈরকখিবনি। নোমিনেসন অদু ফোঙদোক্ক্রিঙৈগী মমাঙ শগোলশেন নুমিৎতা সু চিনা মহাক্কী সপ্পোর্টরশিংদা খাঙদুনা লৈনবা আপিল তৌখি।

এন এল দিনা পার্লিয়ামেন্টতা চাউনা মেজোরিটি ওইবা হায়বসি পার্টিগী কেন্দিদেটনা প্রসিদেন্টকী ফম অদু শোয়দনা পায়রগদবনি হায়রি।

# পাকিষ্টানদা এফ-১৬ ফাইটর জেট য়োনবা সিনেটরশিংনা য়ানিংদ্রি



ৱাশিংটন, মার্চ ১১ (এজেন্সী) ঃ

দোল্লর মিলিয়ন ৭০০কী শেনফম ওইবা এফ-১৬ ফাইটর জেট নিপান য়োনবগী দিল অমদা য়ু এসকী টেক্সপেয়রশিংগী শেলয়ামশিং শীজিন্নদুনা পাকিষ্টানদা মিলিটরি তেংবাঙ পীশিনবগী থৌরাং য়ু এসকী সিনেটরশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং ইস্লামাবাদনা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিং থেংনবদা কম্মিটমেন্ট থমই হায়রিবদু কদাই ফাওবা চুল্লবগে হায়না হংখ্রে।

অদুম ওইনমক, মখোয়গী ওইবা পোলিটিকেলগী মরম খরা লৈবদগী সিনেটরশিং অদুনা পাকিষ্টানদা এফ-১৬ ফাইটর জেট নিপান য়োনবদা অথিংবা পীবা রিজোল্যুসন অমা হাউসতা পুথোকপগী ৱাফমবুদি খন্নখিদ্রে।

চৎনবী অমা ওইনা লৌনরবসু পাকিষ্টানদা এফ-১৬ জেট নিপান য়োনবগী থৌরাং অদুগী মায়োক্তা ৱারেপ অমা লৌবদা সিনেট ফোরন রিলেসন্স কম্মিটিবু বাইপাস তৌরদুনা সিনেটনা খোঙথাং অদু ভোট ৭১-৪৪দা রিজেক্ট তৌখি হায়না সোর্ছশিংনা পি টি আইদা ফোঙদোকখি।

সোর্ছশিং অদুনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, হীরম কয়াদা ঈথিল পীবা ঙম্বা সিনেটর ২০ হেনবনা ভোট লৌনবা অদুদা শরুক য়াখিবা অদুনা সিনেটতা পাকিষ্টানগী মায়োক্তা অকনবা সেন্টিমেন্ট লৈ হায়বদু উৎলে হায়রি।

তশেংনমক, পার্টিগী খেন্নবা থমদবীদা সিনেটরশিংনা পাকিষ্টানগী চিংননিঙাই ওইবা লমচৎতা মীৎয়েং থমদুনা ৱা ঙাংখি অমসুং ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসনবু পাকিষ্টানদা এফ-১৬ জেটশিং য়োনবদা টেক্সপেয়রশিংগী শেনফমশিং শীজিন্নহল্লোই হায়না মোত অমত্তা ওইনা ফোঙদোকখি।

“করিগুম্বা পাকিষ্টানননা থাঙ্গৈশেংনা ঐখোয়গী মীচং ওইনিংলবদি, রেদিকেল ইস্লামগী মায়োক্তা শোক্নরিবা লালদা পাকিষ্টানননা তশেংনা মতেং পাংবা তারবদি মিলিটরি তেংবাঙগী মিংদা য়ু এসপু শেল তিংহন্নবা থৌরাংশিং তৌরল্লোই, খুৎশু খুলাই য়োনবদা মমল তাহন্নবা অমেরিকান টেক্সপেয়রশিংদা পোৎলুম নলহনবা তৌরল্লোই” হায়না হান্নগী রিপব্লিকান প্রসিদেন্সিয়ল কেন্দিদেট সিনেটর রান্দ পোলনা হায়খি।

# টাইৱানদা ফ্রিগেট য়োন্নবা হোৎনবনা বৈজিংবু খোইরাং খোইশাওনহনখ্রে



বৈজিং, মার্চ ১১ (এজেন্সী) ঃ

সাউথ চাইনা সীদা উংখৎনবগী ফীভম হেনগৎলক্লিঙৈ মরকসিদা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা য়ু এস নেভিগী অহেনবা ফ্রিগেট অনী টাইৱানদা দোল্লর মিলিয়ন ১৯০দা য়োন্নবগীদমক অয়াবা পীখিবদগী চাইনানা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে। ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ফ্রিগেট অনী য়োনবগী অয়াবা পীরিবদু কোংগ্রেসনা এপ্রুভ তৌবা চঙখিগনি হায়রি।

চাইনানা মশানা লৈঙাকচরিবা টাইৱানবু তঙাই ফরক্ত্রবদি ফোর্স শীজিন্নরগা কন্ট্রোল তৌবা চঙবা লমহেন-তুহেনবা প্রোভিন্স অমা ওইনা লৌরিবনি। চাইনাগী সিবিল ৱার মতুংদা মায়থিবা নংলবা নেসনেলিষ্ট ফোর্সশিং কুমজা ১৯৪৯দা টাইৱানদা চেনখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা দিমোক্রেটিক টাইৱানদা খুৎলাই য়োনবা খূদিংমক বৈজিংনা কন্না য়ানিংদবা উত্তুনা লাক্লবসু মদুমক্না চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরীদা নৎত্রগা চাইনা অমসুং টাইৱানগী মরীদা তুং কোইনা অকায়বা পীবমক্তি হৌজিক ফাওবদা থোক্ত্রি।

চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন হোং লৈনা হায়খি, টাইৱানদা ফ্রিগেট অনী য়োনবগী ৱাফম অদু চাইনানা য়ু এসতা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। “হীরম অসিগী মতাংদা য়ু এসকী মায়কৈদগী মপুং ফাবা একাউন্ট পীরক্লবা চাইনিজশিংগী মায়কৈদগী য়ু এস দিপার্টমেন্টদা তকশিনখ্রে” হায়না হোংনা নুংতিগী পাঙথোকপা ন্যুজ ব্রিফিং অমদা হায়খি।

“হৌজিক হৌজিকমক টাইৱানদা খুৎশু খুলাই য়োন্নবগী থৌরাং অমত্তা লৈতে অমসুং হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেটমেন্ট অমত্তা থোকখিবা লৈতে” হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা থাজবা পীরক্লে। টাইৱানদা য়ু এসনা খুৎশু খুলাইশিং য়োনবগী মতাংদা চাইনানা লৌরিবা ফিরেপতি হান্নদগী ফোঙদোক্তুনা লাক্লিবা অদুনি, য়াম্না ময়েক শেংবা অমসুং অচেৎপা ফিরেপনি” হায়না মহাক্না মখা তাখি।

টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, খুৎলাই য়োনবগী ৱাফম অদু হৌখিবা চহীদা য়ানখিবা দিল অমগী শরুকনি। টাইৱান রিলেসন্স এক্টনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু টাইৱানগী চৎনবা য়াবা ঙাকশেলগী ফীভম অমা লৈহনবদা মতেং পাংবা চঙই।

“ইক্কিপমেন্ট অসিবু য়োনবগী ৱাফম অমসুং ঐখোয়না পীরিবা সপ্পোর্ট অসিনা লমদম অদুগী মিলিটরি বেলেন্সতা অকায়বা থোকনিঙাই ওইদে হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

য়ু এস নেভিগী ফ্রিগেট অনী য়োনবগী থৌরাং অদু চাইনানা সাউথ চাইনা সীগী খুৎশেমগী ঈথৎশিংদা মিসাইল অমসুং ফাইটর কয়া থমজিনবদগী মায়কৈ কয়াদাগী নুংনাংবা পোক্লরিঙৈ তাল্লক্তা পায়খৎলক্লিবনি। ঈথৎশিং অদুদা মিলিটরি দিপ্লোইমেন্টশিং চত্থবগা ইরোয়ননা চাইনানা চৎলিবা ২০১৬কী ঙাকশেলগী চাদিং মমাঙগী চহীদগী চাদা ৭তগী ৮ ফাওবা হেনগৎলে হায়নসু লাউথোকখিবনি।

# কিমনা অনৌবা চাংয়েং পাঙথোক্লবা ওর্দর তৌখ্রে

সিওল, মার্চ ১১ (এজেন্সী) ঃ

পিয়োংয়াংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপা খোঙথাং অমদা সাউথ কোরিয়ন অমসুং য়ু এসকী ফোর্সশিংনা অচৌবা জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজশিং পাঙথোকপদগী কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা মিলিটরিগী উংখৎনবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং উননা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েংশিং মখা তানা পাঙথোক্লবা ওর্দর তৌখ্রে।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী অপুনবা মিলিটরি দ্রিলশিং হৌখিঙৈদগী নোর্থ কোরিয়ানা নুমিৎ খূদিংগী লেপ্তুনা ৱার্নিং তৌবা অমসুং ষ্টেটমেন্ট কয়া থোক্তুনা লাকখি। পিয়োংয়াংনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার এটেক চত্থবা ঙম্বগী পাঙ্গলগী মরমদা তত্তনা পনবগা লোয়ননা সিওল অমসুং ৱাশিংটনবু “চাউরবা মৈরী অমসুং উৎয়াম” ওলহনগনি হায়না কিহনখ্রবনি।

# মাঙখিবা এয়রক্রাফটকী মরমদা হৌজিকসু এক্সপার্টশিংনা ঙক্লরি

কেনবেরা, মার্চ ১১ (এজেন্সী) ঃ

মীওই ২৩৯ তোংবা মালেসিয়া এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট এম ঐচ ৩৭০ মাঙখিবা চহী ২গী মতুং হৌজিকসু এয়রক্রাফট অদু কদাইদা করম তৌখ্রবগে হায়বগী মতাংদা অঙকপা অমা ওইনা লৈরি। পুৱারীদা খ্বাইদগী শেল চঙবা থীবা হুম্বগী ওপরেসন অমা চত্থরকপদা অকাই-অতোইগী শরুকনি হায়না কনফার্ম তৌরবা প্লেনগী অপীকপা পার্ট অমখক ফংবা ঙল্লি।

মাঙখিবা মালেসিয়াগী ফ্লাইট এম ঐচ ৩৭০ দুগী মরমদা ৱাহং কয়া হৌজিকসু হংনবা লেপত্রি। ৱাহংশিং অদুগী মনুংদগী অমদি, থীবা হুম্বগী থবক অদু হৌজিক করি ফীভমদা লৈরবগে হায়বসিনি।

প্লেন অদু মনুং হঞ্জিনবা সাউদর্ন ইন্দিয়ান ওসিনগী মফম অমদা তাখিবনি হায়বগী সেটলাইট দেটাদা য়ুম্ফম ওইবা ৱাখল্লোন অমদা ওষ্ট্রেলিয়ানা লূচিংদুনা অচৌবা থীবা হুম্বগী থবক অমা চত্থরিবনি। হৌজিক ফাওবদা মখোয়না হান্না য়াখোল্লবা থীজিনফম জোন অদুগী চাদা ৭০ রোমদি থুংবা ঙল্লে অমসুং থবক অদু থা খরগী মনুংদা লোই-শিল্লগনি হায়না পানরি। এয়রক্রাফট অদুগী মাশাগী শরুক মচা অমা রিয়ুনিয়ন ঈথৎতা হৌখিবা জুলাই থাদা থেংনদুনা লৌখৎখিবা লৈখ্রে।




## EMPLOYMENT NEWS

**UPSC RECRUITMENT 2016 – APPLY ONLINE FOR COMBINED MEDICAL SERVICES & ENGINEERING SERVICES EXAM 2016**

**UPSC Combined Geo-Scientist & Geologist Exam 2016 – Apply Online for 208 Vacancies:** Union Public Service Commission (UPSC) has released notification for conducting Combined Geo-Scientist & Geologist Exam 2016 for the recruitment of 208 Geologist, Geophysicist, Chemist, Junior Hydrogeologist (Scientist B) vacancies in the Geological Survey of India, Central Ground Water Board. Eligible candidates may apply online from 06-02-2016 to 04-03-2016 by 11:59 P.M. Other details like age limit, educational qualification, selection process, how to apply are given below…

**UPSC Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 208**
**Name of the Exam: Combined Geo-Scientist & Geologist Exam 2016**
**Name of the Posts:**

1. Category I (Posts in Geological Survey of India, Ministry of Mines): 206 Posts
   i. Geologist, Group A: 121 Posts
   ii. Geophysicist, Group A: 56 Posts
   iii. Chemist, Group A: 29 Posts
2. Category II (Posts in Central Ground Water Board, Ministry of Water Resources): 02 Posts
   i. Junior Hydrogeologist (Scientist B), Group A: 02 Posts

**Age Limit:** Candidates age should be between 21-32 years for Category I posts, 21-35 years for Category II posts as on 01-01-2016. Age relaxation is applicable as per rules.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Master's Degree in Geological Science/ Geology/ Applied Geology/ Geo-Exploration for Geologist, M.Sc. in Physics/ Applied Physics/ M.Sc (Geophysics) for Geophysicist, M.Sc in Chemistry or Applied Chemistry/ Analytical Chemistry for Chemist, Master's Degree in Geology or Applied Geology or Marine Geology for Junior Hydrogeologist.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on Written examination, Interview/ Personality Test.

**Application Fee:** Candidates have to pay Rs. 200/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of State Bank of India/ State Bank of Bikaner & Jaipur/ State Bank of Hyderabad/ State Bank of Mysore/ State Bank of Patiala/ State Bank of Travancore or by using any Visa/ Master Credit/ Debit Card. No fee for SC/ ST/ PH/ Female candidates.

**How to Apply:** Eligible candidates may apply online through the website www.upsconline.nic.in from 06-02-2016 to 04-03-2016 by 11:59 P.M.

**Instructions to Apply Online:**

1. Before applying online candidates have to scan the copies of photograph & signature.
2. Log on through the website www.upsconline.nic.in
3. Click on "Online Application for Various Examinations of UPSC".
4. Click on "Part – I/ Part – II Registration".
5. Read the Important Instructions & fill the form with all the relevant details & submit the application form.
6. After successful registration, a unique registration ID will be allotted, note down the ID & password.
7. Now fill the personal profile, contact details, age relaxation if applicable.
8. Now fill the details of qualification, experience.
9. Now fill the details of Professional Registration, Language, Miscellaneous Module.
10. Now candidate have to choose the Recruitment Test Centre.
11. Now candidates have to upload documents in Document Upload Module
12. After uploading photograph & signature preview the ORA form and check the details carefully.
13. Now click on the submit button
14. Candidates can Pay Online using the Internet banking facility in SBI or other associated banks or can pay through Visa/ Master Debit or Credit card issued by any Bank/ Institution.
15. Here the Transaction ID & Date of Registration details will directly uploaded automatically.
16. Now pay the fee through cash at any branch of State Bank of India through the Pay-in-Slip
17. A transaction ID will be given, again revisit the website and click on the "Click here to view your Previous/ Currently active applications".
18. Log in by registration ID & password, candidates can see "My Active Application (My draft Application)" link.
19. Now fill the details of transaction ID and Date of Transaction if paid through cash.
20. Click "Continue", check the details of fee and submit the application.
21. Now take the printout copies of application attach the attested copies of all documents and keep it for future use.

**Important Dates:**
Starting Date to Apply Online
06-02-2016
Last Date for Payment of Fee using Pay by Cash Mode 03-03-2016 by 23:59 hrs
Last Date to Apply Online
04-03-2016 by 11:59 P.M
Last Date for Payment of Fee using Debit/ Credit Card/ Internet Banking
04-03-2016 by 25:59 hrs
Date of Competitive Examination
13-05-2016

**Examination Centres :** Ahmedabad, Allahabad, Bangalore, Bhopal, Chandigarh, Chennai, Cuttack, Delhi, Dispur, Hyderabad, Jaipur, Jammu, Kolkata , Lucknow, Mumbai, Patna, Shillong, Shimla, Thiruvananthapuram
Date of Verification of Documents
July/ August, 2016